# গোর্খা জনমুক্তি মোর্চাগী নুমিৎ ১০৪ শুরবা খোঙজং রাজনাথনা অপিল তৌরকখিবা মতূং হন্দোকখ্রে



***দার্জিলিং, সেপ্টেম্বর ২৭ ঃ***

গোর্খা জনমুক্তি মোর্চানা চঙশিল্লকখিবা নুমীৎ ১০৪ শুরবা খোঙজং অদু ঙসি অয়ূক পুং ৬ তগী হন্দোকখ্রে। দার্জিলিংবু মপুঙ ফাবা ষ্টেট অমা ওইহন্নবা দিমান্দ তৌদুনা চঙশিনখিবা খোঙজং অদুদা মীওই ১১ শিখ্রে অদুগা মীওই কয়ানা অশোক অপন নংখ্রে।

মোর্চা অদুগী লুচিংবা বিমল গুরুংনা তাকথোক্তবা লৈফম অমদগী ওদিও ক্লিপ থাদোরকখিবা লৈখ্রে। লমদম অদুদা চঙশিল্লকখিবা অকনবা খোঙজং অদুনা মরম ওইরগা দুকান অমদি ললোন ঈতিক্কা মরী লৈনবা মফমশিং লোয়ননা স্কুল অমসুং কলেজশিং থোঙ লোনশিন্দুনা লৈরকখিবনি।

রাজনাথ সিংহনা জি জে এম গী লুচিংবা অদুদা হৌজিক লমদম অদুদা চখরিবা মতম কক্তবা বন্দগী খোঙজংদু হন্দোক্নবা অমদি মহৌশাগী ওইবা ফিভমদা হঞ্জিন্নবা অপিল তৌরকখিবগী মতূং ইন্না নুমিৎ ১০৪ শুরবা খোঙজং অদু হন্দোকখিবনি হায়রি।

জি জে এম না হিলস ষ্টেসন অদুগী স্কুলশিংদা বাঙ্গালি লোল তঙাই ফদবা অমা ওইনা তমহন্নবা থৌশিল পায়খৎলকখিবা মতূং খোঙজং অদু চথবা হৌরকখিবনি। লোয়ননা খোঙজং অদুগী মখা তাবা ওইনা গোর্খালেন্দ মনীং তম্বা ষ্টেট অমা ওইহন্নবা দিমান্দ তৌরকখিবনি হায়রি।

রাজনাথ সিংহনা জি জে এম গী লুচিংবশিংদা মখোয়না চঙশিল্লিবা খোঙজং অদু হন্দোক্নবা অপিল তৌরকপগা লোয়ননা হীরম অদুগী মতাংদা ৱারী শান্নবা হায়রকপদগী খোঙজং অদু হন্দোকপনি হায়রি।

ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীংগী লমদম অমা ওইরিবা দার্জিলিংদা হৌখিবা নুমিৎ কয়ানি খোঙজং চঙশিল্লকখিবনা মরম ওইরগা তংদু লৈতাদবা ফিভম অমা মায়োক্নদুনা লাক্লি।

গোর্খালেন্দগী খোঙজং অদুদা জি জে এম দগী বিনয়, তোখাই তাখিবগা লোয়ননা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনরজিদা শৌগৎপা ফোঙদোক্তুনা খোঙজং অদু হন্দোক্কনি হায়না লাওথোকপা লৈখ্রবনি। অদুম ওইনমক খোঙজং চঙশিল্লিবা মীওইশিংগী মরক্তা চাওনা মোট খেন্নবা লাকপগা লোয়ননা বিনয় টমাং জি জে এমদগী তান্থোক্লে হায়না ফোঙদোক্লরকখিবা লৈখ্রে। ৱেষ্ট বেঙ্গলগী দিষ্ট্রিক্ট অমা ওইরিবা দার্জিলিংদা মীয়াম্মা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লকপদগী মীওই কয়াগী পুন্সি মাঙখ্রে অদুগা মীওই লীশিং কয়ানা অশোক অপন নংখ্রে।

গোর্খালেন্দবু মপুঙ ফাবা ষ্টেট অমা ওইহন্নবা ইং ১৯৮০ দগী খোঙজং চঙশিনবা হৌরকখিবনি। অদুম ওইনমক মতম অদুগী লৈঙাক্লা থৌশাদনা লৈবদগী ঙসি শাথিবা ফিভম অসি ওইরকখিবনি হায়রি।

# থাইলেন্দগী হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর য়িংলুক সিনাৱাত্রা চহী ৫ জেলদা লৈবগী দন্দি পীখ্রে




***বেঙ্কোক, সেপ্টেম্বর ২৭ ঃ***

থাইলেন্দগী হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর য়িংলুক সিনাৱাত্রা সুপ্রিম কোর্টনা মরাল লৈরে হায়না লাওথোকপগা লোয়ননা চহী ৫ জেলদা লৈবগী দন্দি পীখ্রে।

থাইলেন্দদা সবসিদি স্কিমগী মখাদা চেং পীবগী লমদা লান্না থবক তৌখি অমদি দোলর মিলিয়ন ৮ লোম স্কিম অদুগী মিংদা মাঙহনখি হায়বগী মরালদা লৈবাক অদুগী সুপ্রিম কোর্টনা লুচিংবী অদু ফাদোক তাহনখিবনি।

নাকল অমরোমদা য়িংলুকনা মহাক্কী মথক্তা শিরিবা মরাল অদু লৌতুনবা অমনি হায়না য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা দুবাইদা চেন্দুনা লৈখিবনি হায়রি।

লুচিংবী অদু লৈবাক অদুগী খুঙ্গং অমসুং লায়রবা মীওই কাঙলূপনদি শৌগৎলিবা অমদি য়ারিবা মীওইনি হায়রি। সুপ্রিম কোর্টকী জজনা ফোঙদোরকখিবদা মহাক্না লৈঙাক পায়খিবা মতম অদুদা অরানবা মওংদা চেঙ থাদোক থাজিন তৌখিবদা য়িংলুকনা তুমিন্না লৈশিনখি মদুগীদমক মহাকপু জেলদা লৈবগী দন্দি পীবনি হায়খি।

লৈঙাক্কী ওইনা চেঙগী কন্ট্রেক্তরশিংনা আইন কায়বা মওংদা থবক তৌরকপদা ফিভম অদু লাকশিন্নবা মহাক্না থবক অমত্তা পায়খৎখিদে। মদু আইন কায়বা থবকশিং অদুদগী মহাক্না করিগুম্বা খরা তোংজবা ফংবনি হায়না লৌগনি। লোয়ননা অকায়বা থবক তৌরকপা মতমদা থৌশাদনা লৈথোকপগীদমক মহাক্কী মথক্তা দন্দি অদু পীবনি হায়রি।

বি বি সি গী পাউ মতূং ইন্না সুপ্রিম কোর্টনা পীরিবা ৱায়েল অদুনা প্রাইম মিনিষ্টর অমবু লৈবাক অদুগী ওইবা থৌশিল মতম চানা পায়খৎতবা অমদি মীহাৎ মীপুনগা মরী লৈনবা ওইনা লৌদুনা দন্দি অদু পীখিবনি। দন্দি অদুনা মীওই কয়াগী মীৎ পাঙহল্লগনি হায়রি।

ঙসি চথখিবা ৱায়েল অদুদা হান্নগী লুচিংবী অদুনা শেঞ্জা থুমজা তৌখি নৎত্রগা শেঞ্জা থুমজাগা মরী লৈনবা থৌদোক্তা চৈন্নে হায়বা লৈতে হায়না লাওথোকখি। লুচিংবী অদুনা ইং ২০১১ দা পাঙথোকখিবা মীখলদা মায় পাক্তুনা লৈঙাক পায়রকখি। মহাক্না খুঙ্গংগী লাইরবা অমদি লৌমীশিংগী ফিভম ফগৎহন্নবা হোৎনখি। লোয়ননা লৌমীশিংনা পুথোকপা পোখোকশিংদা কৈথেলদা য়োনবা মমলদগী শরুক অনী হেন্না লৈঙাক্লা লৈশিন্নবা থৌশিল পায়খৎখি।

থৌশিল অদুনা মরম ওইরগা মিলিটরিনা মরু ওইনা লৈঙাক পায়বা লৈবাক অদুগী থৌশিলদা চাওনা মাঙজবা লাকখি। অদুম ওইনমক থাইলেন্দদগী চেঙ থাদোকপগী চাংদুসু অকনবা চৈফু ফংখি হায়রি।

লুচিংবী অদু খুঙ্গংদা লৈবা অমসুং লায়রবা মীওই কয়ানদি শৌগৎলি। অদুম ওইনমক সহরগী ইনাক খুনবা অমসুং ময়ায় ওইবা থাক্তা লৈবা মীওইশিংনদি য়ানিংদবা ফোঙদোক্লি হায়রি।

লুচিংবী অদুগী মথক্তা পীনিংবা দন্দি কয়া পীবা য়াই। মরমদি মহাক হৌজিক লৈবাক অদুদা লৈতে হায়রি। কেস অদু চহী ২ চূপ্পা থেংনরক্লবা মতূং আগষ্ট থাদা ৱায়েল চখনবা মতম লেপখি। অদুম ওইনমক লুচিংবী য়িংলুকনা অশাওবা উৎপগা লোয়ননা কোর্ট অদুদা লাকখিদবনি। অদুনা মরম ওইরগা চৎলিবা চহী অসিগী আগষ্ট থাদা পাঙথোক্কদবা ৱায়েল অদু য়েথোকখি হায়রি।

# সেন্ত্রেল হেল্থ সার্ভিসেস য়াওদনা ডাক্তরশিংগী থবক্তগী পোত্থাবগী চহী ৬৫ দা শাংদোকপা য়াখ্রে



***ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ২৭ ঃ***

য়ুনিয়ল কেবিনেটনা ঙসি সেন্ত্রেন হেল্থ সার্ভিসেসকী য়াওদনা তোঙান তোঙানবা লমদা থবক তৌরিবা ডাক্তরশিংগী থবক্তগী পোত্থাবগী মতম চহী ৬৫ দা শাংদোকপগী অয়াবা পীখ্রে।

ইন্দিয়ান রেলৱেজ মেদিকেল সার্ভিস অমদি তোঙান তোঙানবা সেক্তরশিংদা থবক তৌরিবা ডাক্তরশিংগী চহী শাংদোকপগী অয়াবা পীখ্রে। কেবিনেটনা লৌখিবা খোঙথাং অদুনা তোঙান তোঙানবা মিনিষ্ট্রিশিং অমসুং দিপার্টমেন্টশিংদা লৈবা ডাক্তর লীশিং কয়াদা কান্নবা ফংহল্লগনি।

আয়ুস, দিপার্টমেন্ট ওফ দিফেন্স, দিপার্টমেন্ট ওফ দিফেন্স প্রদক্সন, হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফিয়ারগী মখাদা লৈবা য়াগী ডাক্তরশিং, রেলৱেজ মিনিষ্ট্রিগী মখাদা লৈবা য়াগী ডাক্তরশিং অমসুং হায়র ইদুকেসন অমসুং টেক্নিকেল ইনষ্টিটুট্যসনশিংদা লৈবা ডাক্তরশিং খুদোং চাবা অদু ফংগনি। য়ুনিয়ন কেবিনেটনা মরী লৈনবা মিনিষ্ট্রি অমসুং দিপার্টমেন্ট অমদি ওর্গনাইজেসন কয়াদা থবক তৌরিবা মরী লৈনবা ডাক্তরশিংগী মতাংদসু মখা তানা ৱারেপ লৌগনি হায়না লো এন্দ জষ্টিষ্ট মিনিষ্টর রবি সঙ্কর পরসাটনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি কেবিনেটনা লৌখিবা ৱারেপ অদুনা মেদিকেল কলেজ অমসুং তোঙান তোঙানবা হোস্পিটালশিংদা অনাবশিং মতমগা চুন্নবা অমসুং একাদেমিক ওইবা মওংদা য়েংশিনবা ঙম্লগনি। অদুম ওইনমক ৱারেপ অদুনা মেদিকেল দিপার্টমেন্টকী তোঙান তোঙানবা শরুকশিংদা হাংদুনা লৈরিবা ফমশিং মেনশিনবগী মতাংদদি খন্নখিদে হায়রি।

# ম্যান্মারগা তাইনবা ঙমখৈদা নাগা লালহৌবা কয়া হাৎখ্রে

***ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ২৭ ঃ***

ইন্দিয়া অমসুং ম্যান্মারগা তাইনবা ঙমখৈ পরিংদা আইন্না থিংখ্রবা নেসনেল সোসিয়েলিষ্ট কাউন্সিল ওফ নাগালিম – খপলাং (এন এস সি এন কে) গী কাদরশিংগা খূৎ থোক্নবদা রিভেল কয়া হাৎখ্রে হায়না থাজবা য়াবা পাউগী লিখুল অমনা ফোঙদোরকখি।

পাউ অসিগী মতূং ইন্না ঙমখৈ পরীং অদুদা খূৎ থোক্নবদা নাগা লালহৌবা কয়া হাৎপা ঙমখ্রে। অদুম ওইনমক লান্মীনা সর্জিকেল ষ্টাইক চখখিবদি লৈতে হায়রি। ইন্দিয়ান আর্মিগী মায়কৈদা অশোক অপন নংবগী পাউ লৈতে হায়না ইষ্টর্ন কম্মান্দনা ফোঙদোরকখি।

পাউ অসিগী মতূং ইন্না ঙসি অয়ূক অঙনবা পুং ৪.৪৫ তাবা মতমদা এন এস সি এন – কে গী কাদরশিংগা অকনবা মওংদা খূৎ থোক্নখি। ঙসি খূৎ থোক্নখিবা অদু সর্জিকেল ষ্টাইক চখবা অমদগী হেনখি। নাকল অনীগী মরক্তা চাউনা খূৎ থোক্নখি।

ইষ্টর্ন কম্মান্দগী মতূং ইন্না ইন্দিয়ান আর্মিগী কলম অমনা ঙমখৈ পরীং অদুদা চঙশিন্দুনা ওপরেসন চখখি। ওপরেসন চখরিঙৈ চৈরক্তা এন এস সি এন গী কেদরশিং অদুনা এতেক্ট তৌরকপদগী নাকল অনীগী মরক্তা অকনবা মওংদা খূৎ থোক্নখি। খূৎ থোক্নবা অদুদা এন এস সি এন – কে গী কাদর কয়া হাৎপা ঙমখ্রে হায়বগী থাজবা লৈ। হৌজিক ফাওবগী ওইনা অশিবা হকচাংশিং ফংবা ঙমদ্রি। অকনবা মওংদা খূৎ থোক্নরবা মতূং মিলিটেন্টশিং অদু ঙসি ম্যান্মারগী ঙমখৈ মনুংদা চেনশিনখ্রে হায়রি।

# মিজোরামগী চীফ মিনিষ্টর লাল থনহাওলাগী মিনিষ্ট্রি রিসফল তৌখ্রে

***আইজোল, সেপ্টেম্বর ২৭ ঃ***

মিজোরামগী চীফ মিনিষ্টর লালথনহাওলাগী মিনিষ্ট্রি রিসফল তৌখ্রবা মতূং নৌনা মিনিষ্টর ওইরকখ্রবা মীওই অনীনা পায়গদবা ফমশিং লাওথোকখ্রে।

কে এস থাঙা চৎলিবা থা অসিগী ২০ দা মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখ্রে। মীওই অদুদা এগ্রিকলচর, ইরিগেসন অমসুং ৱার্টর রিসোর্স অমদি লেন্দ রিসোর্সকী পোষ্টফোলিও পীখ্রে। অদুগা নৌনা মিনিষ্টর ওইরক্লবা অমত্তা ঙাইরবা নুপী কেবিনেট ভানলালাউমপুই চাওংথুদনা কোওপরেসন, সেরিকলচর অমসুং ফিসরিগী থৌ পুহনখ্রে হায়রি।

লালথনহাওলানা পব্লিক ৱার্কস দিপার্টমেন্টকী থৌসু হেল্থ মিনিষ্টরদা পীখ্রে। অদুগা মহাক্কী মনাওনুপা লালথানজারাদা পাৱার এন্দ ইলেক্ট্রিসিটি পীখ্রে হায়রি।

ইনফোর্মেসন এন্দ কম্যুনিকেসন টেক্নোলোজিনা লালথানজারাদগী লৌথোক্তুনা অর্ভান দিবলপমেন্ট মিনিষ্টর জোদিনলুঙ্গাদা পীখ্রে হায়রি। লোয়ননা অহেনবা ওইনা স্কুল ইদুকেসন মিনিষ্টর ঐচ রোহালুনাদা লেভর, ইমপ্লোইমেন্ট, স্কীল দিভলপমেন্ট অমসুং ইন্টরপ্রিনিয়রসিপ পীখ্রে হায়রি।

# মেক্সিকো দ্রগ রিহেব সেন্টরদা নোংমৈ পায়বশিংনা মীওই ১৪ হাৎখ্রে




***মেক্সিকো, সেপ্টেম্বর ২৭ ঃ***

মেক্সিকোগী অৱাং থংবা শরুক্তা লৈবা চিহুহুৱাদা লৈবা দ্রগ রিহেবিলিটেসন সেন্টর অমদা নোংমৈ পায়বশিংনা এতেক্ট চখরকপদা মীওই ১৪ শিরে অদুনা ৮ না অশোক অপন নংখ্রে।

মায়খুম উপ্পা মীওইশিং অদুনা ইমুং মনুং কয়া লৈবা বেরেক্তা লোকেল টাইমগী পুং ২১ রোম তাবদা চঙশিল্লক্তুনা অকনবা মওংদা নোংমৈ কাপশিল্লকখি। মীৎনা উহৌবশিংনা ফোঙদোরকখিবদা এতেক্ট চখরকখিবা মীওইশিং অদু লান্মীগী ফিজোল শেৎলি। অদুগা মখূৎতা অফবা মখলগী রাইফল পায়বা উখি হায়খি। পুলিসকী পাউ মতূং ইন্না এতেক্ট অদু চখরকখিবগী চপ চাবা মরম খঙবা ঙমদে। সেক্যুরিটি ফোর্সনা সহর অদুগী অকোয়বদা চেক পোইন্ট কয়া হাংদোক্তুনা য়েংশিনবগী থবক চখখি। অদুম ওইনমক হৌজিক ফাওবগী ওইনদি থৌদোক অদুগা মরী লৈনবনি হায়বা মীওই অমত্তা ফাবা লৈত্রি হায়রি।

দ্রগ রিহেবিলিটেসন সেন্টর অদুদা নোংমৈ পায়বশিংনা এতেক্ট কয়া তৌরকখিবা লৈখি। ইং ২০১২ দা সেন্টর অদুদা এতেক্ট চখরকপদা মীওই ১১ শিখিবসু লৈখ্রে। চহী ২ গী মমাঙদদি চপ মান্নবা মওংদা এতেক্ট চখরক্তুনা মীওই ১৩ গী পুন্সি মাঙহনখিবসু লৈখ্রে।

ইং ২০১২ দা কুহুলিয়াদা লৈবা রিহেবিলিটেসন সেন্টর অমসুং ইং ২০১৫ দা টি জুৱানা রিহেবিলিটেসন সেন্টরদা মথং মথং এতেক্ট তৌরক্তুনা মীওই কয়াগী পুন্সি মাঙহনখিবা লৈখি। এতেক্ট অদু লমদম অদুগী গুন্দাশিংনা মখোয়দা খুদোং চাবা পীদে হায়বা অমদি ক্লিনিকশিংদা মখোয়গী মী হাপতে হায়বগী মরাল শিদুনা চখখিবা ওইগনি হায়বগী চিংনবা লৈ হায়রি।

## ꯗꯁꯥ ꯌꯦꯡꯊꯣꯛꯄꯤꯌꯨ / দশা য়েংথোকপিয়ু

মীরমদা মহৈ তম্বা চৎত্রিঙৈ দশা য়েংথোকপিয়ু। লাইরিক পানিংদবা, হাইন–তানবা য়াদবা, নিশাদা লাই চুবা, শুনিংদবা, অৱাংবা একজাম থাগদবা, থবক্কী ইন্টর্বিউ, ভোট, করবার, লন তুঙ্দবা, য়ুম্বাল, অঙাং য়াওদবা, য়ূম, দুকান পোৎ শিত্তবা, অরুবা হকচাংগী ফত্তবা কুপ্পা তান্নবিয়ু।

SL/2964/
Adt. 15 days

**জে এম ডা. পি ঐইচ রাজেন্দ্র**
নোংমৈবুং, একাডেমমি রোড, ইম্ফাল

### সনা–সুদোকু – ৯৪৭ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 7 | 3 | 4 | 2 | 5 | 9 | 6 | 1 | 8 |
| 2 | 9 | 8 | 6 | 3 | 1 | 7 | 5 | 4 |
| 6 | 5 | 1 | 8 | 7 | 4 | 9 | 2 | 3 |
| 3 | 8 | 2 | 4 | 9 | 7 | 1 | 6 | 5 |
| 9 | 1 | 6 | 3 | 8 | 5 | 2 | 4 | 7 |
| 5 | 4 | 7 | 1 | 6 | 2 | 8 | 3 | 9 |
| 8 | 7 | 3 | 5 | 1 | 6 | 4 | 9 | 2 |
| 4 | 6 | 5 | 9 | 2 | 8 | 3 | 7 | 1 |
| 1 | 2 | 9 | 7 | 4 | 3 | 5 | 8 | 6 |

## GAS TODAY

**Manipur Gas**
Booking ............ 04/05/17
Valid .................. 03/05/17
Stk ... 14 kg 558 / 19 kg 36
Time ... 7.30 to 09.30 am

**Mahalashmi Indane Gas**
Booking ............ 08/06/17
Sl. No. upto 200
Valid .................. 26/05/17
Stk ... 306 DBTL
Time ... 7.30 to 10.00 am

**Maibia Gas, Moirang**
Booking ............ 12/06/17
Sl. No. upto 7180
Valid .................. 05/06/17
Sl. No. upto 6711
Stk ... 234
Time ... 7.00 to 11.00 am

**RBD Gas**
Booking ............ 03/06/17
Valid .................. 13/05/17
Stk ... 612
Time ... 6.30 to 10.30 am

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-948**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 4 | | | 8 | | | 9 | |
| | | | 3 | | | | 1 | 6 |
| | 5 | | 1 | | | 2 | | |
| | 1 | | 9 | 6 | 4 | | 5 | |
| | | 6 | | | | | | 9 |
| 3 | | | | | | 1 | | |
| | 8 | | | 3 | 5 | 9 | | |
| | | | | | | | | 2 |
| 7 | | 9 | | | | | | 3 |

**In the Court of Sub-Deputy Collector**
**Imphal West (Central)**

*Ref. :- Mutation Case No. 1880/SDC/IW(C)15/9/2017*

(i) Laishram Ajoykhuman S/o (L) Balaram Singh of Kwakeithel Laishram Leikai
(ii) Laishram Jodha Singh S/o (L) -do- of -do-
(iii) -do- Jotin Singh S/o (L) -do- of -do

***- Petitioners***

***-Verses-***

Late (1) Laishram Balaram Singh S/o Ahanjao Singh of Kwakeithel Laishram Leikai
(2) -do- (N) Konjengbam (O) Brojeshwari W/o Narahari Singh of -do-
(3) Konjengbam Narahari Singh S/o Padama Singh of -do-

***- O.P.Partys***

**NOTICE**

*Imphal, the 27/9/2017*

Under the section 46(3) of MLR & LR Act 1960 অসিগী মতূং ইন্না খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার Co-Pattadar Laishram Balaram Singh পীং Ahanjao Singh সাং Kwakeithel Laishram Leikai গী মিংদা লৈবা ইঃ ওঃ তহসিলগী খুল নং 44-Heinoukhongnembi গী অনৌবা পট্টা নং 266 অরিবা পট্টা নং 234 দাগ নং 520 অমসুং এরিয়ানা .0750 (হেক্টার) চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারিশিং অসিনা মখোয়গী মমিংদা পানবিনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ–চে অসিনা ফোঙলবা মতূং নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌগদবনি, মতূংদা লাকপা Objection লৌরোই কেস মখা চখরগনি।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Imphal West (Central)

***SL/2965(a)/28***

**In the Court of the Sub-Deputy Collector**
**Porompat, Imphal East, Manipur**

*Ref. :- Mutation Cass No. 994/SDC/P of 2017*

1. Thoudam Thabung Singh S/o (L) Tondon Singh of Kongpal Kongkham Leikai
2. Th. Abem Devi (Indubala) D/o (L) -do- of -do-

***- Petitioners***

***-Verses-***

Th. (O) Padama Devi W/o (L) Tondon Singh of Kongpal Kongkham Leikai

***- O.P.P.***

**NOTICE**

*Porompat, the 27th Sept., 2017*

Under Section 46(3) of M.L.R. & L.R. Act, 1960 গী মতূং ইন্না খঙহল্লি মদুদি ঃ– Imphal East Porompat Circle গী Village No. 23-Kongkham Leikai গী Patta No. 19 (অরিবা) 45 (অনৌবা) C.S. Dag No. 131 an area .283 acre of Ingkhol Class লম অসিগী Co-Pattadar 1 (one) অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner শিং অসিনা লৈখিদ্রবা Co-Pattadar 1 (one) গী মহুত্তা মমিং ওনবীরো হায়না Court অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মরম অসিনা পাউ চে অসিনা ফোঙবা মতূং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C. Porompat Court অসিদা Objection তৌবীরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি Court কী হৌনবী মতূং ইন্না Case মখা চখগনি মতূংদা লাকপা ৱাকৎ Court অসিনা লৌজরোই।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Porompat, Imphal East
Manipur

***SL/Bill(L)/28***

**In the Court of Sub-Deputy Collector**
**Imphal West (Central)**

*Ref. :- Mutation Case No. 1987/SDC/IW(C)26/9/2017*

Yumnam Bidyabati Devi W/o (L) Y. Surendra Singh of Sega Road, Konjeng Hazari Leikai

***- Petitioner***

***-Verses-***

Yumnam Surendra Singh S/o Ibomcha Singh of Sega Road Konjeng Hazari Leikai

***- O.P.Party***

**NOTICE**

*Imphal, the 27/9/2017*

Under the section 46(3) of MLR & LR Act 1960 অসিগী মতূং ইন্না খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার Yumnam Surendra Singh পীং Ibomcha Singh সাং Sega Road Konjeng Hazari Leikai গী মিংদা লৈবা ইঃ ওঃ তহসিলগী খুল নং 85-Sagolband গী অনৌবা পট্টা নং 1813 অরিবা পট্টা নং 410 দাগ নং 13057 অমসুং এরিয়ানা .0433 (হেক্টার) চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবিনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ–চে অসিনা ফোঙলবা মতূং নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌগদবনি, মতূংদা লাকপা Objection লৌরোই কেস মখা চখরগনি।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Imphal West (Central)

***SL/2965(b)/28***